# আই লিগ ষ্টারনা আই এস এল ষ্টারবু পাঞ্জল ৫-৩দা থোইখ্রে



ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস)ঃ ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমিনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা আই এস এল ষ্টার অমসুং আই গিল ষ্টারনা টিম অনীগী ওইবা ফ্রেন্দলি মেচ অমা পাঙথোকখ্রে।

আই লিগ ষ্টার অমসুং আই এস এল ষ্টারগী মরক্তা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেচ অদুগী অহানবা হাফতা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নখি। মেচকী ১৮ শুবা মিনটতা আই লিগকী প্লেয়র প্রিতমনা পাঞ্জল অমা চল্লগা মখোয়গী গোল একাউন্দ হাংদোকখি।

পাঞ্জল ১ শোত্থদুনা লৈরিবা আই এস এলগী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসরগা লোয়ননা এটেক কয়া চত্থরকখি। মেচকী ৩২ শুবা মিনটতা আই এস এলগী মায়কৈদগী গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু পাঞ্জল ১-১ ইক্বেলাইজ তৌখি।

মেচকী অনীশুবা হাফ হৌরকপদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অকনবা এটেক চত্থনরকখি। অদুবু মেচকী ৬৫ শুবা মিনটতা আই লিগ টিমনা পেনালতি অমা ফংখিবগা লোয়ননা টিম অদুগী সুবাসনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২-১দা মখোয়না মাংজিল থাহনখি। অদুবু মায়োক্লবা টিম আই এস এলগী মায়কৈদগী মিনট ৫ লৈরগা টিম অদুগী শান্নরোয় বিপিননা গোল অমা চন্দুনা পাঞ্জল ২-২দা লৈনখি।

লেমহৌরিবা অপিবা মতমদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদবদগী পেনালতি কাউনবা শেম শানখি। টিম অনীমক্তগী শান্নরোয় ৪/৪ না পেনালতি কাউন্নখি। কাউখিবা পেনালতি অদুদা আই লিগকী মায়কৈদগী গোল ৩ চনখি। অদুগা আই এস এলগী মায়কৈদগীনা পাঞ্জল ১ খক চনবা ঙমখি। মদুদগী মেচ অদু আই লিগ ষ্টারনা পাঞ্জল ৫-৩দা মায় পাকখিবনি।

# ইন্দিভর এফ সি ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস)ঃ এস ৱাই দি এ অথোকপম্মা শীন্দুনা চত্থরকপা অহানবা ষ্টেট লেভেল এস ৱাই দি এ ট্রোফি অন্দর ১৭ নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেচতা ইন্দিভর এফ সিনা ঙানবা এফ সিবু মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল ঙানবা এফ সি অমসুং ইন্দিভর এফ সি শান্নখি। মেচ অদুগী অপিবা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা গোল ২-২ চন্নবদগী পেনালতিকাউনবদা ইন্দিভর এফ সিনা ঙানবা এফ সিবু গোল ৬-৪দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখিবনি।

পেনালতিকাউনবা অদুদা ইন্দিভর এফসিগী মায়কৈদগী ৱাই সুরজ, এস বিকি, রঞ্জন অমসুং এল থোইবনা গোল অমমম চনখি। অদুগা ঙানবা এফসিগী মায়কৈদগীনা রঞ্জন অমসুং উমাকান্তনা গোল অমমম চনখিবনি।

এস ৱাই দি এ ট্রোফি অন্দর ১৭ নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা ইন্দিভর এফ সিনা ও এফ এ পুংদোংবম্বগা থেঙ্নাইনরগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেচতা ও এফ এনা নাওচা এফ সিবু মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

# অপুনবা এফ সি, এল এ এফ সি অমসুং পান্থোই এফসি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস)ঃ করাম অৱাং লৈকাই য়ুঠ ক্লব (কে এ এল ৱাই সী)না শীন্দুনা করাম কাংজেবুং লম্পাক্তা পাঙথোক্লিবা ২শুবা ষ্টেট লেবেল ইবুধৌ নোংশাবা ৭-এসাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট-২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা অপুনবা এফ সি, এল এ এসি অমসুং পান্থোই এফ সি মখোয় মখোয়গী মেচশিং মায় পাকখ্রে।

ঙসিগী অহানবা মেচতা অপুনবা এফ সি অমসুং এস এম এস করামগা লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফতা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনরকখি। মেচকী ১৭ শুবা মিনটতা অপুনবা এফ সিগী জর্সি নম্বর ১৪না পাঞ্জল অমা চল্লগা মখোয়গী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। অহানবা হাফ লোইরকপা ফাওবদা অপুনবা এফ সিনা ১-০দা মাংজিল থাখি।

মেচকী অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপদা এস এম এস কী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজ তৌনবা কন্না হোৎনরকখি। অদুবু মায়োক্লব টিমগী মায়কৈদা বোল পুশিনবা ঙমখিদবদগী অপুনবা এফসিগী জর্সিনম্বর ৭না ৩০ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিনখি। মিনট ১ লৈরগা অপুনবা এফ সিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমগা অমুক হাপচিন্দুনা ৩-০দা লৈখি। মখা তানা অপীবা মতমদা এস এম এস করামগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদবদগী মেচ অদু অপুনবা এফ সিনা পাঞ্জল ৩-০দা থোইখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা এল এ এফ সিনা এম আর সিবু গোল ১-০দা মায়থীবা পীখি। এল এ এফসিগী মায় পাকপগী গোল অদু জর্সি নম্বর ৬ বন্দোনা চনখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেচতা পান্থোইবী এফ সিনা পাৎশোই এফ সিবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি। পান্থোইবী এফ সিগী গোল অনী অদু জর্সি নম্বর ১০ সোভা চনখিবনি।

# লিভসন অমসুং টৌলহৈ এফ সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস)ঃ তেন্থা খোঙবাল ৱেলফিয়র এসোসিয়েসন (টি কে দল্লীয়ু এ) তেন্থানা শীন্দুনা চত্থরিবা দি কে দল্লীয়ু এ ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা লিভসন লুৱাংশাংবম অমসুং টৌলহৈ এফ সি মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী অহানবা মেচতা লিভসন লুৱাংশংবমনা সি পি সি লমদিংবু গোল ৩-০দা মায়থীবা পীখি। লিভসন লুৱাংশংবমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু সবাস, কিসন অমসুং জেপিসনা গোল অমমম চনখিবনি।

অনীশুবা মেচতনা এন ৱাই পি সি থৌবালগা টৌলহৈগা শান্নখি। মেচ অদুগী অপীবা মতমদা গোল অমমম চন্নবদগী পেনালতি কাউনবদা টৌলহৈ এফ সিনা এন ৱাই পি থৌবালবু গোল ৬-৪দা মায়থী পীখিবনি।

# কৈশামথোংনা শিংজমৈবু মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস)ঃ শীংজমৈ কাংখুৎকী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ১২দগী কাংখুৎ ১২না গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা শীংজমৈ কাংশঙদা চত্থরিবা ৮ শুবা মঙশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং প্যুনবতি মেমোরিয়েল চহী ৫০ অমসুং ৬০ লিগ কম নোক -আউ কেন্দ্র ৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেচতা কৈশামথোংনা শীংজমৈবু পাঞ্জল ১৩-১১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে। নিপানশুবা মঙশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং প্যুনবতি মেমোরিয়েল কাং টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা হয়েং নম্বোল কেন্দ্র অমসুং ওইনাম কেন্দ্রগা থেংনরগনি।




# মৈরাবা অমদি দিঙ্কু ওল ইন্দিয়া জুনিয়র রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ফাইনেল চঙখ্রে

ত্রিবেন্দ্রম, জুন ০১ (এজেন্সী)ঃ কেরালাগী ত্রিবেন্দ্রমদা মে ২৮দগী হৌরকখিবা য়োনেক্স সনরাইজ ওল ইন্দিয়া জুনিয়র রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা মণিপুরগী শান্নরোয় মাইস্নাম মৈরাবা অমসুং কোন্থৌজম দিঙ্কু ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী নম্বর ১ সিদেদ ওইরিবা মাইস্নাম মৈরাবনা ঙসি টুর্নামেন্ট অসিদা ৩শুবা সিদেদ ওইরিবা টালিম নাদুগী সটিস কুমারগা লম্বা তৌনবদা অহানবা গেম অদু য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরক্লবা মতুং ১১-২১দা সটিসনা থোইখি।

অনীশুবা গেমদা মৈরাবনা য়াম্না হেন্না ফজরকপদগী পোইন্ট ২১-৯দা থোইখি। অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা মাইস্নাম মৈরাবনা ২১-১১দা ক্বাটর ফাইনেল থোইদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

ঙসি মাইস্না মৈরাবগী অনীশুবা মেচ সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ অমিত রাথোরগা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা মৈরাবনা ২১-১৫, ২১-১৫দা থোইদুনা ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা সিদেদ ওইরিবা সঙ্কর মুথুস্বামীগা হয়েং লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসতসু মণিপুরগী কোন্থৌজম দিঙ্কুনা মহারাষ্ট্রগী রিতিকা থাকরগা পেয়র ওইদুনা ৫শুবা সিদেদ ওইনা শান্নরকপদা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মখোয় অনীনা ঙসি ক্বাটর ফাইনেলদা মণিপুরদগী খ্বাইরাকপম মঞ্জিৎ সিংহ অমসুং কেরালাগী মেহরিন রিজাগা পেয়র ওইদুনা লম্বা তৌনখি। মদুদা দিঙ্কু অমসুং রতিকানা ২১-১৫, ২৬-২৪দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

ঙসি কোন্থৌজম দিঙ্কুনা মহারাষ্ট্রগী রিতিকা থাকরগা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেচ অদুদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বা ১ সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা নভনিথ বোক্কা অমসুং সহিথি বন্দিগা লম্বা তৌনখি।

অহানবা গেমদা লম্বা য়াম্না মান্না শান্নখিবদা অদুদা দিঙ্কু অমসুং রতিকানা ২১-১৯দা থোইখি। অনীশুবা গেমদদি নভনিত অমসুং সাহিথিনা অকনবা লম্বা পীরখ্রবসু দিঙ্কু অমসুং রতিকানা ২২-২০দা থোইদুনা হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ ইদৱিন জয় অমসুং কভ্যা গুপ্তগী পেয়রগা ফাইনেল থেংনরগনি।

অদুগা মণিপুরদগী খ্বাইরাকপম মঞ্জিৎঅমসুং কেরালাগী মেহরিন রিজাগা ৩শুবা থাক্কীদমক হয়েং রিব অমসুং শাক্সি গহলোটকী পেয়রগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী দবলসতা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ১ সিদেদ পেয়র ওইরিবা মণিপুরগী খ্বাইরাকপম মঞ্জিৎ অমসুং কোন্থৌজম দিঙ্কু সেমি ফাইনেলদা লৈহৌখি। মখোয়না ক্বাটর ফাইনেলদা অচুতঅদিত্যা রাও অমদি বেঙ্কতা হরসাগী পেয়রগা লম্বা তৌনখিবদা অদুদা ২১-১৮, ২১-১৮দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

ঙসি মঞ্জিৎ অমসুং দিঙ্কুনানা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেচদা রবিকৃষ্ণ অমসুং মানব রাজ সুমিতকা লম্বা তৌনখিবদা ১৩-২১, ১৮-২১দা মায়থীবা নংদুনা সেমিফাইনেলদা লৈহৌখি। মখোয় অনীনা ৩শুবা পোজিসনগীদমক হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা খুশ চুক অমসুং নিতিন ঐচ ভিগা লম্বা তৌনরগনি।




# ৱাঙু তম্ফা লাইরেম্বী মুক্না টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস)ঃ তরাশুবা ৱাঙু তম্ফা লাইরেম্বী মুক্না টুর্নামেন্ট হায়েংদগী হৌরগা ৱাঙু তম্ফা লাইরেম্বী হরাওবুংদা পাঙথোক্লগনি।

ওল মণিপুর মুক্না এসোসিয়েসনগী মখাদা ৱাঙু তম্ফা লাইরেম্বী মুক্না এসোসিয়েসননা শীল্লগা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অসিদা কে জি ৭০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। মকোক মথং তারবা শান্নরোয়শিংদা মথং শীৎনা অহানবদা লুপা ১৫,০০০, অনীশুবদা লুপা ১০,০০০ অমদি অহুমশুবদা লুপা ৮,০০০গী শেলগী মনা ওইনা পীগনি। অমসুং টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা মুক্নারোইশিংদা কোন্সোলেসন প্রাইজশিংসু থল্লি হায়রি।













Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com